**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা খুৎলায় পীখৎলকবা অনিরকসুবা ওইনা নুমিৎ ৭ নিগী মতম থাখিবগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা নোংমৈ ১১ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকখ্রে।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- লম কয়াদা দিজিতেল শিজিন্নবগী চাং হেনগৎহন্দুনা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি।

৩) লোক সভা সদস্য অলফ্রেদ কাঙম অর্থরনা কাংপোকপী জিলাগী চাওখৎ থৌরাংগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- উত্তরাখন্দদা লম কোইফমশিং হেন্না নিংথিনা শেমগৎতুনা চহি চুপ্পা লম কোইবশিং লাকহন্নবা হোৎনরগনি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ৮ দা নিউ দিল্লিদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা জাতি থাক্কী মীফম হৌদোক্কনি।

------

খুৎলায় (এল) ঃ মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা খুৎলায় পীখৎলক বা অনিরকসুবা ওইনা নুমিৎ ৭ নিগী মতম থাখিবগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা

নোংমৈ ১১ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকখ্রে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ৬ শুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট ডাঃ এস. ইবোমচা সিংহদা পীখৎলকখিবা খুৎলাশিংগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর নোংমৈ অমা, এল.এম.জিগী মেগজিন অনি, দিটোনেটর মরি, লেথোদ বোম অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

খাবৈশোইদা লৈবা স্পেসিয়েল সি.দি.ও য়ুনিতকী ইনচার্জসু ওইরিবা ডাঃ এস. ইবোমচাদা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় কয়ামরুম অমসু ঙসি খুৎশিন্নরকখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন অনিগা কোন্নবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন অনিগা কোন্নবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, পোম্পি গন অনি, ইয়ার পিষ্টোল অনি, এম-ত্বেন্তিগী মেগজিন অমা, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন মরি, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন মরি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এল.এম.জিগী মেগজিন তরা, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জি মেগজিন অনি, এস.এল.আর মেগজিন অমা, বুল্লেটপ্রুফ ফাইবর পিয়ার অমা, সিঙ্গল অমা, আইরন বুল্লেটপ্রুফ প্লেট পিয়ার ১২, দিটোনেটর মরি, ৱায়রলেস সেট ১৪, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরুশিং, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনি, তিয়ার স্মোক সেল ৯, তিয়ার ষ্টন অহুম, স্মোক গ্রেনেদ অমা, স্মোক বোম সেল ৯, বি.পি কোভর ৩৮, কেমোফ্লেক ফুরিৎ, খোঙগ্রাউ অমদি তুপিশিং, বাইনোকুলর কোমেট অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

ফুড (এল)ঃ মীয়ামদা চান থকবা পোৎলমশিং য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ ফাওবা লাক্ত্না ফংহন্নবা এপপ অমা ঙসি হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হৌদোকখ্রে। এপপ অসি গুগল প্লে ষ্টোরদা ফংলগনি হায়রি। এপপ অসিগী মতেংনা চান থকবা পোৎলমশিং য়াওনা নোংমদা চাদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া অতেনবা মতমগী মনুংদা পোৎ লৈরিবশিংগী থোঙজিনদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি।

এপপ অদু হৌদোক্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- এপপ অসিনা মীয়ামদা দরকার লৈবা

পোৎলমশিং মতম য়ামা চংহনদনা লাইনা ফংহনবা ঙম্লগনি। এপপ অসিনা লমদম অসিগী লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। খোঙথাং অসিনা নহারোল কয়াদা থবক পীবদসু অচৌবা মতেং ওহরগনি। অসিগুম্বা অনৌবা মখলগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা হৌদোক্লিবা থৌশিল অসিদা মীয়ামা শৌগৎমিন্নশি। লম কয়াদা দিজিতেল শিজিন্নবগী চাং হেনগৎহন্দুনা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি হায়নসু শ্রী বিরেন্না আপীল তৌরি।

থৌবাল (এল)ঃ ভারত সংবিধান্না অঙাংশিংবু ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা তোঙান তোঙানবা আইনশিংগী মতাংদা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পোষ্টর কেম্পেন অমা ঙসি থৌবালগী দি.সি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত থৌবালনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- চহি ১৪ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু হোটেল নত্রগা ৱার্কসোপনচিংবদা থবক শুহনবা অসি আইন্না য়াদে। মসিদা চেন্নবশিং থা ৬ তগীনা চহি ২ ফাওবা ফাদোক পীবা য়াই। জিলা অসিগী মনুংদা অঙাংশিংবু নমদুনা থবক শুহনবা মফমশিং লৈব্রা হায়বদু মরী লৈনবা ওফিসিয়েল অমদি পুলিসকা লোয়ননা থিজিনবা হৌরগনি হায়নসু দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখি।

ভিদিএফ (এল)ঃ ভি.দি.এফ লিংখৎখিবগী ১৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুরগী লাইনিংথৌ ময়াংঙম্বা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি.দি.এফ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা এস.দি.পি.ও, দি.এস.পি অমসুং তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী ওফিসার ইনচার্জশিং য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা পার্সোনেলশিংদা কম্মেন্দেসন অমসুং শেলগী মনাশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সা অমসুং ত্রাফিক কন্ত্রোল ঙাকা চৎহন্নবা হোৎনবদা ভি.দি.এফ পার্সোনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাদা ভি.দি.এফ পার্সোনেল লিশিং ১,৩৫০ লৈ। ঙসিগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা ভি.দি.এফ পার্সোনেলশিংগী ইমুং মনুংদা এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী অঙাম্বা মতেংশিংসু পাংখি হায়রি।

এআর (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে টুগী সেনাপতি জিলাগী পুনি ফেসেমাই ভিলেজ মনাক্তা ঙসি টাটা দম্পর ত্রক অমা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোকপদা শোক্লবা ড্রাইভর অদু অসাম রাইফলসনা কনবা ঙমখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা খুৎলৈ থুনা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমা চংশিন্দুনা অশোকপা ড্রাইভর অদু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুদুনা লায়কন্নখি।

অর্থর (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা)গী চেয়ারপার্সন, লোক সভা সদস্য অলফ্রেদ কাঙম অর্থরনা কাংপোকপী জিলাদা ঙসি জিলা অসিগী চাওখৎ থৌরাংশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা মখোয় মখোয়না দিসা স্কিমগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা শ্রী অর্থরদা নিংথিনা খঙহনখি।

মীফম অদুদা শ্রী অর্থরনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা ব্লোক ব্লোক্কী ওইনা তোঙান তোঙান্না শেমদুনা পায়খৎপনা হেন্না খুদোংচাগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। অৱাৎ অপা লৈরিবশিং মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা অথুবা মতমদা পাউ খঙহল্লকবসু হায়খি। ঙসিগী মীফম অদুদা লোক সভাগী এম.পি. শপ্তাগিরি শনকর উলাকা, কাংপোকপীগী দি.সি- মহেশ চৌধরি, এস.পি- মনোজ প্রভাকর য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলস তমেংলোংনা শিন্দুনা, লৈঙাক্কী থৌশিল থৌরাংশিং অমদি শেল থুম শিজিন্নবগী মতাংদা ফিশাবীশিং অমসুং মশানা মশাবু থবক পীজরিবশিংদা তাকপী তন্বীবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা সেকিনু ইনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা শেল থুম কাংলোন চুমা শিজিন্ননবা অমসুং লৈঙাক্কী থৌশিল থৌরাংশিংগী মতাংদা শরুক য়ারিবশিংদা নিংথিনা তাকপী তন্বীখি।

থৌরম অদুগী মতাংদা তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলসকী প্রোজেক্ট মেনেজর কে.এস. জোননা অসুমা ফোংদোক্লি।

থাবল (এল)ঃ  মণিপুরদা মীয়ামা তংদু লৈতানা লৈবা ফংদ্রিঙৈ মতম অসিদা য়াওশং থাবল চোংবনচিংবা হরাউ কুম্মৈশিং পাঙথোক্তনবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কো-ওর্দিনেতিং কমিতি ফোর পিছনা আপীল তৌরি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরদা হৌজিক রাষ্ট্রপতিগী লৈঙাক লৈরি, মীয়ামগী মীহুৎনা শেন্বা লৈঙাক লিংবা ঙমদ্রি। অমরোমদা, মতম কুইরবা মণিপুরগী ইরাং অসিনা ময়ুম মকৈ লৈত্রবা, অশোক অপন নংখিবা অমদি মীশি মীনা থোকখিবশিংগী অৱা অনা কোক্ত্রিঙৈ তানফম অসিদা হরাউ কুম্মৈ তৌদুনা লাংবা হায়বসি তৌফম থোক্তবা অমনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

ককচিং (এল)ঃ  ব্লোক কংগ্রেস কমিতি ককচিংগী ৭২ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি ককচিং বজারদা লৈবা কমিতি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্লোক কংগ্রেস কমিতি অসিগী মরুওইবা থৌমী কয়া শরুক য়াখি।

পেন্সন (এল)ঃ  নিউ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈ (এন্দোজ)না শিন্দুনা শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা হকচাং ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা ফেব্রুৱারি থাগী পেন্সন ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী পি.সি.সি মেম্বর ওইনাম রোমেন সিংহগী শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি। শ্রী রোমেন্না হৌখিবা চহি ১০ রোমগী মমাংদগী অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদা থা থাগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম লেপ্তুনা চথুরকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ২২০ দা পেন্সনগী শেনফম লুপা লিশিং অমমম শ্রী রোমেন্না য়েন্থোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ নবার্দকী মীৎয়েং মখাদা চান্দেলদা নুমিৎ মরিনি চুপা চথুরকপা সি-পেক ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। ত্রেনিং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ৩০ দা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ৮ দা নিউ দিল্লিদা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা জাতি থাক্কী মীফম হৌদোক্কনি।

নারি শক্তি সে ভিক্সিত ভারত হায়বদি চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংদা শক্তি পীবা হায়বা হিরমদা মীফম অসি ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসিদা লান্মী অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংদা থবক তৌরিবী ওফিসারশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থবক তৌরিবা মশক নাইবা নুপী কয়া শরুক য়াগদৌরি। দিল্লি পুলিস, মাই ভারত ভোলুন্তিয়ার, অঙ্গনৱাদি ৱার্করস, আশা ৱার্করস অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মীহুৎ কয়াসু মীফম অসিদা শরুক য়াগনি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক, য়ুনিসেফ, য়ুনাইতেদ নেসন্স ৱিমেন, য়ু.এন.দি.পি অমসুং য়ু.এন.এফ.পি.এগী মালেম থাক্কী লুচিংবা কয়াসু মীফম অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- উত্তরাখন্দদা চহি চুপ্পা লেপ্পা লৈতনা লম কোইবশিংগী পন্থুংফম ওইহন্নবা শেমগৎলগনি।

উত্তর কাসিগী হরসিলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা ৱিন্টর তুরিজমগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুমগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহিশিংদা রাজ্য অসিদা চাউনা মীৎয়েং থন্লি। নিংথম থাগী মতমদা হোটেল অমসুং হোম ষ্টেশিংদা মী লাকপা ৱাৎপদগী ওইহল্লকপা শেল থুমগী খুদোংচাদবশিংগী  মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-  রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী হেন্না ফজবা মশক নিংথম থাগী মতমদা উবা ফংগনি। চহি চুপ্পা লেপ্পা লৈতনা লম কোইবশিংনা মফম অসিগী ফজবা কয়া য়েংহনদুনা রাজ্য অসিগী তুরিজম ইন্দষ্ট্রিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনগদবনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা রাজ্য অসিদা চারধামগী লম্বীগী প্রোজেক্ট, রেলৱে পাকথোক চাউথোকহনবা, নোংথক্কী লম্বী শমহন্নবা অমসুং রোপ ৱে প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ ১২ শুবা টি টৌইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা রিটচ নাগামপালনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজবু রন ৪১ দা থোইখ্রে। অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা নপসা খা-ইম্ফালনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুং মখোঙবু রন ২৫ দা থোইখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোগ গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ১৩ দা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহালাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

হোকি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা সিয়ো এসত্রো তর্ব হোকি ষ্টেদিয়মদা চংখরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লেট থোঙাম ইবোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মাস্তর হোকি চেম্পিয়নসিপ অমসুং অন্দর ফোরটিন বোইজ এন্দ গালর্সকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিয়ো অকামপাৎনা আইদেল ক্লব তেরা বজারবু পাঞ্জল ৩-০ দা, টি.দব্লিউ.সি তাউবুংখোকনা ফাম থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা টি.দব্লিউ.সি তাউবুংখোক অমসুং এম.এল.ঐচ.এ ময়াইলম্বী পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

পোলো (এল)ঃ  ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- সমাদোন অয়াংবা পোলো ক্লব মোংশাংগৈনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লব-বিবু পাঞ্জল ১০-০ দা, ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব হৈঙাংনা কে.আর.এম.এম রাইদিং স্কুল শিংজমৈবু পাঞ্জল ৮-৭ তা, আরবিন্দ পোলো ক্লব ইরোইশেম্বনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগ ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নিখিবা মেটচতা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর অমসুং ক্রাউ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইশোক এফ.সি অমদি তাইদা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

------